**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-08-2026)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগা উন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা গৃহ মন্ত্রিগী য়ুমদা উন্নবা অদুদা কেন্দ্র সরকারনা মনিপুর মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা শোয়দনমক্কী থুংহনগনি হায়বগী থাজবা মুখ্য মন্ত্রিদা পীরকখি হায়রি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রিগা ৱাফম কয়া খন্নখি। সেনাপতি মেদিকেল কলেজ শানবা উরেপ উয়ুং তন্বীনবা বার্ত্তন তৌবদা গৃহ মন্ত্রিনা য়াবগা লোয়ননা ওক্তোবরগী অহানবা চয়োলদা রাজ্য অসিদা লাক্কুনা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং য়েংশিনগনি। রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলনা হন্দক্তা সেনাপতি জিলাদা অনৌবা মেদিকেল কলেজ অমা হাংনবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী ওইবা ৱাফমশিং পুখৎখিবা অদু গৃহ মন্ত্রিনা মুন্না তাবীখি অমদি নেসনেল হায়ৱে টু, ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা ইম্ফালদগী গুৱাহাতি তমা চৎকদবা বস সার্ভিস হৌদোকখিবা অদুবু গৃহ মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোরকখি হায়রি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফিয়ার্স অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্গসু উন্নখি। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা মনিপুরগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

উন্নবা অদুদা শ্রী খেমচান্দনা রাজ্য অসিগী মাইনোরিতি জাতিশিংগী য়াইফনবা অমদি চাউখৎনবগীদমক থবকশিং পায়খৎপীনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিদা তকশিনখি। মসিগী মথক্তা মাইনোরিতি এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না চাউখৎ থৌরাংগী

প্রোজেক্টশিং পীবিনবসু হায়জখি। মথং চহিদা পাঙথোল্লবা য়াই হায়না পান্নরিবা মনিপুর বিধান সভাগী মীখলগী মতাংদসু লুচিংবা অনিনা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

শ্রী রিজিজ্না মনিপুরগী মীয়ামগীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা মুখ্য মন্ত্রিদা পীখি।

**চুরাচান্দপুর(এল)ঃ** ইং ২০২৭ তা মীকোক থিগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা অহানবা তাঙ্কক্কী হাউস লিষ্টিং ওপরেসনগী ত্রেন্নিং লোয়শিনখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চথবা ইন্যুমেরেটর অমসুং সুপরভাইজরশিংগী মরিরকশুবা বেটচকী ওইনা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু এস.দি.ও. ওফিস-চুরাচান্দপুরদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদু দিপ্যুতি কন্মিস্নার কম-প্রিন্সিপাল সেন্সস ওফিসার-কৃষ্ণকুমারগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। ত্রেন্নিং অদুদা দাটা কল্লেক্সন অমসুং দাটা পীশিনবগীদমক ঐচ.এল.ও. মোবাইল এপ্লিকেসন করমা শিজিন্নগনি অমদি দিষ্ট্রিক্ট সেন্সস বুক করমা শেমগদগে হায়বশিং তাকপী তন্বীখি। হাউস লিষ্টিং অমসুং হাউজিং সেন্সসকী থবক সেপ্তেম্বর অমদগী হৌগনি। অদুগা পোপুলেসন ইন্যুমুরেসন ফেজ টুনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারীদগী হৌগনি।

**রিমস (এল)ঃ** রিমস হোস্পিতাল ইম্ফালগী অনৌবা কেজ্য়েলিতি ব্লোক ঙসি হাংদোকখ্রে। অনৌবা কেজ্য়েলিতি ব্লোক অসি হান্নগী অরীবা ও.পি.দি. ব্লোক অদুদা শেমগৎপনি।

থৌরাং অসিনা রিমস হোস্পিতালদা ইমর্জেন্সি অমসুং কেজ্য়েলিতি সার্ভিস হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি। অনৌবা কেজ্য়েলিতি ব্লোক অদু রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার-জি. সুনিল কুমার শর্ম্মনা হাংদোকখি।

অনৌবা কেজ্‌য়েলিতি ব্লোক অসিনা রিমস হোস্পিতালদা ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিং মতম চানা মীয়ামদা ফংহন্দুনা হকশেলগী লমদা হেন্না খুদোংচাবা পীবা ঙম্লগনি।

**বস (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ট, ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং মখা তানা চৎলি। ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতসু পেসেঞ্জর পুবা গাড়ি ১৯ চৎখি।

গুৱাহাতি তমা চৎখিবা গাড়িশিং অদুদা পুন্না পেসেঞ্জর ২৬৮ তোংখি। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা বস মঙা, ৱিঙ্গর মঙা অমদি চাকা মরি গাড়ি ৯ য়াওরি।

অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা গাড়িশিং অদু ঙসি পুং ১০ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

ইন্টর ষ্টেট টেক্সি এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি-লাইশ্রম ভোনিলালনা হায়-সরকার অসিনা লম্বী অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌনবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। মতম কুইনা লম্বী অসিদা গাড়ি চৎপা য়ারুদ্রবা মতুং অনৌবা সরকার অসিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি অচুম্বা মায়ওন অমনি। গাড়ি অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর অমগী মতুং ইন্না-গুৱাহাতি তমা এরোপ্লেনদা চৎনবা হোৎনবদা লুপা লিশিং ৮ হেন্না টিকেৎ ভারা পীরম্বা অদু হৌজিক্তি বসতা শুপতগী লুপা লিশিং অমনা য়ৌবা ঙম্বা অসি য়ামা নুংঙাইবা ফাওই।

**পুলিস(এল)ঃ** মঙাশুবা অসাম রাইফলসনা ফাখিবা য়ু.কে.এন.এগী মশানা মশাবু মেজরনি হায়জবা মীওই অমা চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নরকখ্রে হায়রি।

মনিপুর পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না সাইহেনজাং খুলদগী মীওই অসিদগী নাইন এম.এম. বেরেতা পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোলগী কাপ্পা য়ারিবা

নোংমৈ মরু মঙা অমসুং মেগজিন অমা ফংলে।

অককবা পাউগী মতুং ইন্না, ৩৩ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোনা কোংপাল চিংঙাম্বম লৈকাইগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ঙসি সোরেপাগী মীওই অমা মহাক্কী ময়ুমদগী ফারে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফয়েং অপুন লোক তুরেল ময়াদা অককবা পাউগী মতুং ইন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা সি.এম.জি. অমা, মেগজিন য়াওবা শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল তরেৎ, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মঙা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি ফংলে।

অমরোমদা, মোইরাং পুলিস অমসুং বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দোনা মীয়ামদগী শেল খায়বনি হায়বা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ঙরাং ফারে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মাওবোম খুল ময়াগী নেপালি বস্তি মনাক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এম.পি. জিরো নাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, ফঙ্কসনেল রোকেট অমা, পোম্পী অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৮, লেন্দমাইন অনি, মোটোর বোম অমা, দিটোনেটর মরি, শেমদোক্লবা মাইন অমা ফাগৎলে।

**এমশু (এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং ৬১ শুবা চাক্লাম খোঙচৎ হায়রগা খঙনবা হঙ্গর মার্চস ডেগী থৌরম পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) না শিনদুনা থৌরম অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দনা লৈবা এমশু হেদক্বাটরদা পাঙথোক্কনি। অয়ুক অঙনবদা মীয়ামনা চিংঙামচাদা লৈবা ষ্টুদেন্টস মারটিয়ার দম কমপ্লেক্সতা ফিরাল চিংখৎতুনা হৌদোক্কনি। লৈখিদ্রবা মহৈরোইশিংগী মফমদা লৈ কৎলবা মতুং পিশুম চীংঙামচাদগী দি.এম.য়ু. কেম্পসতা লৈবা এমাউ হেদক্বাটরস ফাওবা মীয়ামগী

ওইবা খোঙচৎ অমা চৎকনি।

তুংদা, মফম অদুদা মীয়ামগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

**এনআইটি(এল)ঃ** নেসনেল ইন্টিগ্রেসন, কলচরেল একচেঞ্জ অমদি য়ুথ ইন্টিগ্রেসনদা য়ুম্ফম ওইদুনা চশ্নরকপা অস্থলক্ষমী দর্শন য়ুথ একচেঞ্জ প্রোগ্রাম ২০২৬-২৭ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

য়ুথ একচেঞ্জ প্রোগ্রাম অসি নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (এন.আই.টি) মনিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল-শিল্লোং অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোন্নর) গী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী হৌখিবা তাং ১৪ দগী হৌদুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কুনা লাকপনি।

**তেংনৌপল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-তেংনৌপল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস চান্দেলগী মীৎয়েং মখাদা সাউথ ইষ্টর্ন রুরেল দিবলপমেন্ট সোসাইতি-খাংশিম ভিলেজনা শিন্দুনা চাইল্ড প্রোটেক্সন অমসুং মেন্টেল হেলথকী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ব্লিকর সেঙ্কসন দিবলপমেন্ট কাউন্সিল-খাংশিমগী ত্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা মেন্টেল হেলথ অমদি চাইল্ড মেরিএজগী মতাংদা অখণ্ড-অহৈশিংনা ব্রা ঙাংখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ককচিং জিলাগী সোরা খুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা উ চারা ১০০ রোম থাখি। থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা দি.এফ.ও. চান্দেল-এন. মুনাল মীতৈনা হায়-চহি অসিগী জ্লাইগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা বন্দ মহোতসব পালনদা রাজ্য অসিগী জিলা ১৬ তা এক

পের মা কে নাম থ্রি পোইন্ট জিরোগী মখাদা উ চারা লাখ ১৫ মায় পাকা থাখ্রে।

**উ (এল)ঃ** এসোসিয়েসন ওফ এম.এস.এ.পি. এল্যুমনাই মনিপুর অমসুং অবার্ন সোসাইতি ত্রষ্ট ইম্ফালনা রাজ্যগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগা খুৎশমদুনা ঙসি কোইরেঙ্গে মাইবা খুলদা লৈবা অবার্ন সোসাইতি ফার্ম হাউস অমদি মসিগী অকোইবা মফমশিংদা উ চারা ২০০ রোম থাখ্রে।

**ককচিং(এল)ঃ** ককচিং বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা ককচিং ৱাইরি কমালা পরেংদগী খোঙনাং মরি ফাংবা ফাওবগী লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা য়ুনাইটে ক্লব ওর্গনাইজেসন-ককচিংনা আপিল তৌরি।

পাউগী মীফম অমদা ওর্গনাইজেসন অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা হায়-লম্বী পরিং অসিদা মরুওইবা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসন লৈবা মরমনা মহৈরোইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অদুক্কী মতিক খুদোংচাদ্রে।

**তমেংলোং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংদা সুপর স্পিসিলিতি ব্লোক শাগৎলিবা অসিনা মরম ওইদুনা অনা লায়েং চত্থরিবা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে হায়না দুইগাইলোং য়ুথ ক্লব অমসুং দুইগাইলোং নামজৱাং পুই ফুৱাম-তমেংলোংনা হায়রি।

হোস্পিতাল অসি তাবা লম্বী অসিসু ফত্তবনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। হীরম অসিগী মতাংদা লুপ অনি অসিনা চীফ মেদিকেল ওফিসার-তমেংলোংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনদুনা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপীনবা তকশিনখ্রে।

**হেলথঃ** ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই.এম.এ) না লৈবাক অসিদা ইনফ্লুয়েঞ্জা এ (ঐচ.ৱান.এন.ৱান) গী কেস হেনগৎলক্লিবা অসি মীয়ামনা মীকুপ

নাহুমশিংনা লৈনবা হায়রি।

আই.এম.এনা হায়-লায়ওং অসি পংকন কন্দবা অমদি মশা মথন্তা ফরকপা য়াবা লায়না ওইবনা মীয়ামনা মীপায়নিংঙাই লৈতে। আই.এম.এনা হায়-লোক লাইহৌগী লায়ওংহগুম্বা থেংনরবদি মীয়ামনা এন্টিবাইটিক চাবীরোইদবনি। মরমদি, ঐচ.ৱান.এন.ৱান অসি ভাইরেল ইনফেক্সননি। মরম অদুনা, এন্টিবাইটিকনা ভাইরস অসি হাৎপা ঙমদে। আই.এম.এনা হায়-মীয়ামনা য়ারিবমখৈ অনাবা অসি ফানবনি হায়দুনা এজিথ্রোমাইসিন, এমোকসিলিন, ক্লাভুলানেট অমসুং সেফিসিনগুম্বা এন্টিবাইটিকশিং য়ারিবমখৈ শিজিন্নরোইদবনি। করিগুম্বা এন্টিবাইটিক চাগে হায়রবসু ডাক্তরশিংগী পাউতাক মতং ইন্না চাগদবনি।

আই.এম.এনা হায়-ঐচ.ৱান.এন. ৱাননা নারবশিং অরুম হৌবা, নিংথম চনবা, কংখু খুবা, খনাউ নাবা, মসল নাবা অমদি চোকথবগী লায়ওংশিং থেংনগনি। মসিগী মথক্তা কোক চিকপা, নাতোন মহি চেনবা নৎত্রগা ফুনবা, ওনিংবা অমদি খোঙ মহি হাম্বগী থৌওংশিংসু থেংনগনি।

এসোসিয়েসন অসিনা হায়-মীয়ামনা য়ারিবমখৈ সাপোন অমদি ঈশিং নৎত্রগা সেনিটাইজর শিজিন্নদুনা খুৎ-শা নীংথিনা হামদোক্কদবনি। মসিগী মথক্তা লোক খুবা নৎত্রগা হকথি খনবা মতমদা য়ারিবমখৈ চিন নৎত্রগা নাতোন খুমজিনগদবনি। খ্বাইদগী ফবদি মাক্স শিজিন্নবনা ওইগনি।

**নোংঃ** লাক্লিবা চয়োল অমা অসিদা খা ভারতকী মফম কয়াদা নোং চুবগী চাং হেনগৎলক্কনি হায়না ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়-সিক্কিম য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং, সব হিলায়া ৱেষ্ট বেঙ্গোল, বিহার, উরিষ্যা, ঝরখন্দ, মধ্য প্রদেস, ঝরখন্দ অমদি নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেসকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা নোং কন্না চুগনি। উত্তরাকন্দ, নোংপোক থংবা রাজস্থান, অন্ধ্র প্রদেস অমসুং অন্দমান নিকোবর

ইথৎকী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা নুংশিৎ শিৎকনি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না, হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী অমসুং চান্দেলগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। ফেরজোল, চুরাচান্দপুর, চান্দেল, নোনে, জিরিবামগী মফম কয়াদা ইরাই নুমিৎ ফাওবা নোং চুগনি হায়রি।

**পিএমঃ** নেসনেল স্পোর্টস ডে-২০২৬ গী শরুক অমা ওইনা হয়েং লৈবাক শিনবা থুংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা খেল্লো ইন্দিয়া দাইলোগতা ৱা ঙাংগনি।

মেরা যুব ভারত (মাই ভারত) না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱা ঙাংগনি। থৌরম অসি লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী জিলা খুদিংমক্কী কলেজ অনি অনিদগী শরুক য়ারিবা নহাশিংদা ৱা ঙাংগনি। মসিনা শান্নরোইশিং, য়ুথ লিদরশিং, ভোলুন্টিয়ারশিং প্লেটফোর্ম অমত্তদা পুরকবগীদমক্তনি।

দাইলোগ অসি থিম মঙা হায়বদি-স্পোর্টস, ওলিম্পিক এসোসিয়েসন, য়ুথ লিদরসিপ, ভিক্সিত ভারত অমসুং নাসা মুক্তা যুবদা য়ুম্ফম ওইরগনি।

**বোদিঃ** অনিশুবা মিস্তর নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক চেম্পিয়নসিপ-২০২৬ তা শরুক য়াগদবশিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্লগনি।

ওল মনিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন (অম্বা) না শিনদুনা খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা লৈবা মসিগী ওফিসতা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি পাঙথোক্কনি হায়রি।

চেম্পিয়নসিপ অসি নাগালেন্দগী কোহিমাদা মথং থাগী ১১ দগী ১৩

ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**যোগঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা অনিশুবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা চেম্পিয়নসিপ চহি অসিগী নবেম্বরদা পাঙথোক্লগনি।

নুপা-নুপীগী তোঙান তোঙানবা গ্রুপ ৮ থোকা চেম্পিয়নসিপ অসি ককচিং চুমনাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**চেসঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চেস এসোসিয়েসননা শিনদুনা অহানবা অন্দর সভেন্টিন ওপন অমদি গালর্স চেস চেম্পিয়নসিপ ২০২৬, থা অসিগী ২৯ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা চেম্পিয়নসিপ অসি উরিপোক খোইস্নাম লৈকাইদা লৈবা দি-চেস একাডমীদা পাঙথোক্কনি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (দি.এফ.এ) মোইরাংনা শিনদুনা তরুকশুবা কৈশাম বাবু সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লিক অমসুং মঙাশুবা ফিলেম ইরাবত সিংহ মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লিক মথং থাগী ২৭ তগী পাঙথোক্লগনি।